

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL,WEDNESDAY, FEBRUARY 15, 2017 **PAGE 7**


*টেষ্ট ক্রিকেট অহানবা শান্নবদা রন ১০০ লৌবা ঙমখিবা খ্বায়দগী অহল ওইরবা ক্রিকেট প্লেয়র, ই এস পি এন ক্রিকসিনফোগী রিপোর্ট মতুং ইন্না শান্নবদগী পোত্থানবা ফিরেপ লৌখ্রে হায়রিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী অদাম ভোগস*

*লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাওথোকখিবা এম আর এফ তয়ার্স আই সি সি ও দি আই রেঙ্কিংদা হান্নগী মফমদগী অমা হাগৎলগা ২ শুবা মফম ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন মীথালী রাজ*

## কে পি এস সি ককচিংনা জে পি সি অগরটলা ত্রিপুরাবু গোল ৩–১দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



*ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ১৪ঃ*

ওল মণিপুর ফূটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা টিম ১৮না শরুক য়াদুনা মমাঙ থাগী ২০দগী শান্নবা হৌখিবা ৬শুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফূটবোল টুর্নামেন্টকী মপু কে পি এস সি ককচিংনা জে পি সি অগরটলা, ত্রিপুরাবু গোল ৩–১দা মায়থীবা পীদুনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইখ্রবা কে পি এস সি ককচিং মণিপুরগী জর্সি নম্বর ১৯ এস ঙমনৈরিন কোমনা মেচকী মিনিট ১৬, ৪২ অমদি ৬৫দা টিমগী গোল অহুম চনখি।

জে পি সি অগরটলা ত্রিপুরাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৩ রাজেন্দ্র দি বর্ম্মানা মেচকী মিনিট ৯০দা চনখি।

মেচ অসিদা কে পি এস সি ককচিংগী জর্সি নম্বর ২২ পি রোমেশ অমদি জর্সি নম্বর ১৫ কে এস ঐচ টাইসননা মথংশিংনা মেচকী মিনিট ২৬ অমদি ৬৩দা ফাউল শান্নবগী রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম পীদুনা অদুগা মতুং তৌদনবসু হায়খি।

জে পি সিগী জর্সি নম্বর ১ সান্তা দি বর্ম্মানা মেচকী মিনিট ২৪দা ফাউল শান্নবগী য়েল্লো কার্দ অমা ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অসিদা পি ঐচ লম্হোইবা, টি ঐচ ইবুংঙো, জোল বি অমদি কে ঐচ নিলকমলনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিএল ওইখি।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা ডাঃ হমিত সিংহ পহুজা আই এ এস দিপ্যুটি কম্মিস্নর জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট, এস সনাতোম্বা প্রসিদেন্ট ওল মণিপুর ফূটবোল এসোসিএসন, ডাঃ এস ঐচ মঙ্গোল সি এম ও জিরিবাম হোস্পিটাল, দক্ষিয়ু শ্যাম এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর এফ সি এস জিরিবাম, কে বসন্তা অমদি কে এস ঐচ প্রোমিলা (ডোন্নর) অমদি এম ব্রজকান্ত প্রসিদেন্ট ওল জিরিবাম স্পোর্ট এসোসিএসন জিরিবামনা মথংশিংনী চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি চীফ হোষ্ট ওইনা দাইজদা ফমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচকী অহানবা গোল স্কোররগী মনা কে পি এস সিগী জর্সি নম্বর ১৯ ঙমনৈরিন কোমনা ফংখি।

গোল খ্বাইদগী য়াম্না শান্নরোয়গী মনানা কে পি এস সি ককচিংগী জর্সি নম্বর ১৯ এস ঙমনৈরিন কোম অমদি জর্সি নম্বর ২১ ই জয়কিশননা গোল ৭–৭ চন্দুনা ফংমীন্নখি।

বেষ্ট প্লেয়র ওফ দি ফাইনেল মেচকী মনানা কে পি এস সি ককচিংগী জর্সি নম্বর ১৯ এস ঙমনৈরিন কোমনা ফংখি। বেষ্ট গোল কিপরগী মনানা কে পি এস সিগী এন স্বামিনা লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা চিরু স্পোর্টিং ক্লব কছার কামরঙ্গানা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী রন্নরস অপ তাখ্রবা জে পি সি অগরটলা ত্রিপুরাদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২০ খূৎশীন্নখি অদুগা টুর্নামেন্টকী মপু ওইখ্রবা কে পি এস সি ককচিংদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩০ অমদি ট্রোফি খূৎশীন্নখি।

## এসিয়া মিক্স টিম বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্সতা সাইনা, পিভি সিন্ধু য়াওররোই





*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৪ঃ*

থা অসিগী ১৪দগী ১৯ ফাওবা ভিয়েটনামদা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা এসিয়া মিক্স টিম বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্সতা রিও গেমসকী সিলভর মেদলিষ্ট পিভি সিন্ধু অমসুং লন্দন গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাইনা নেহৱাল শরুক য়াদনবা ৱারেপ লৌখিবদগী ইন্দিয়াগী মরু ওইবা থৌদাং নুপাগী সিঙ্গলস অমদি ডবলসকী অপুনবা লম্বাশিংনা লৌরগনি।

হান্না ইন্দিয়ন টিমদা মমিং পানখৎখ্রবসু সাইনা অমসুং সিন্ধুনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নশিপ্স য়াওনা মালেমগী মরু ওইবা টুর্নামেন্ট কয়ামুক মথং–মথং লাক্কদৌরিবনা মদুগীদমক মতিক চানা শেম শানবা ভিয়েটনামগী টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াদনবা ফিরেপ লৌখিবনি। অমরোমদনা, সাইনা অমসুং সিন্ধু য়াওদবদগী টানভি লেদ অমদি হন্দক্তগা নেসনেল চেম্পিয়ন ওইখ্রবী অদুগা পোলিশ ওপনগী ৱিন্নর অমসু ওইরিবী রিটুপর্না দাসনা নুপীগী সিঙ্গলসতা মাঙজিল থানা শরুক য়ারগনি অদুগা নুপাগী সিঙ্গলসতনা ঐসএস প্রনোয় অমদি সেদ মোদি গ্রান্দ প্রি গোল্ডগী ৱিন্নর সমির ভর্ম্মানা ইন্দিয়াগীদমক মহুৎ শিল্লগনি।

টাই অসিদা ডবলসকী মেটচ অহুমসু য়াওরিবনা ইন্দিয়াগী মরাইবক অসি মমাঙ থাদা সেদ মোদিগী টাইটল লৌখিবা মিক্স ডবলসকী প্রনাভ জেরি চোপ্রা অমসুং এন সিক্কি রেদ্দি, নুপাগী ডবলসতনা বি সুমিথ রেদ্দি অমসুং মনু অট্রি অদুগা নৌনা শেমখিবা নুপীগী ডবলসতা অশ্বিনি পোন্নাপ্পা অমসুং সিক্কি রেদ্দিনা লেপ্পগী অচৌবা তাঞ্জা অমসু ফংলগনি।

চাইনা, কোরিয়া, জপান অমসুং মলেসিয়া য়াওনা টিম ১৩না লেমজনিংঙাই ওইরবা ট্রোফি অসিগীদমক অকনবা লম্বা তৌনরগনি। ইন্দিয়ানা গ্রুপ দিদা কোরিয়া অমসুং সিঙ্গাপুরগা লোয়ননা পুন্না তামিন্নরি অদুগা চাইনা, চাইনিজ টাইপৈ অমসুং হোং কোংনা গ্রুপ এদা, মলেসিয়া, ইংদোনেসিয়া অমসুং শ্রীলঙ্কানা গ্রুপ বিদা অমদি জপান, থাইলেন্দ, ভিয়েটনাম অমসুং ফিলিপিন্সনা গ্রুপ সিদা পুল্লি।

## ফেদ কপতা য়ু এসনা জর্মনি মায়থিবা পীখ্রে




*লোস এঞ্জেলিস, ফেব্রুৱারী ১৪ঃ*

কোকো ভানদাৱেনা অহৌবা নুমিত্তা জাতিগী ঈশৈ শোয়বদগী শকচিল্লুদুনা শান্নবা হৌখিবা জর্মনগীদমক মঙলাক্কবগুম্না থোকখ্রবা ফেদ কপ তাই অমদা হেক্তগা মায়থীবা পীবা য়ারবগী মওংদা অকনবা চৈথেং অমা পীশিন্নবা ঙরাং এন্দ্র পেতকোভিচপু মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা চেক রিপব্লিককা থেংননবা শেম শাখ্রে।

পেতকোভিচ অমদি মহাক্কী তিমমেতশিং অসি মথন্ত শৈশকপা অমা ওইবা অমেরিকান অমনা জর্মন জাতি ঈশৈগী থায়নগী শক্লরম্বা মওংদুগী শৈহেক অমা ঙরাং শকখিবা অদুদা অশাউবা পোকহনখিবনি। ঈশৈ অদুদি মরৈবাক মজাতিবু কা হেন্না নীংজবনি লৌনরিবা অহৌবা অন্তরা ‘দিতছলেন্দ, দিতছলেন্দ উবর এলিস’ (জর্মননা য়াম্না হেন্না কন থৌবদা শৈথাবা) হায়বা অসিনি।

মদুগী মওংদুদা শকপা শৈহেক অদুদি য়াম্না কন্না মরী লৈনখিবা মরম্না হৌজিক মতমদদি জর্মনিদা পান্নদ্রে। হান্নগী অরিবা জাতি ঈশৈ অদুগী অহুমশুবা অন্তারা অদুখক্তুং নি হৌজিক শীজিন্নরবসি।

‘ঐহাক পুন্সিসিদা অসুম হায়না ইকায় খুম্নদবা শাজৎ কৈদৌনুংদা ঐনা চৎখিবা লৈতে। মসিদি খ্বাইদগী ফত্তবা মখলগী ইকায় খুম্নদবা অমদি ফত্তবা লীচৎনি’ হায়না পেতকোবিচনা ফোঙদোকখি।

অদুমওইনমক জর্মনিগী ওইনদি হৱায়গী মাউইদা শান্নরিবা তাই অসিদা অফবা হায়বদুদি অমত্তা ফংখিদে।

১২ রক ফেদ কপ সিঙ্গলস ৱিন্নর ওইখ্রবা পেতকোভিচ ঙরাং শান্নবা লোইশিনখিবা অমত্তা ঙাইরবা মেতচতা এলাইসন রিস্কিগী মখূত্তা ৭–৬ (১২–১০), ৬–২ দা মায়থীবা নংখি।

য়ু এসকী নুপীশিংনা বেস্ত–ওফ–ফাইভ তাই অসি জাতিগী ঈশৈ শকখ্রবা মতুংদা মপি তানা কপখিবী জুলিয়া গর্গেসনা নোংনা অকায়বা পীখিবা মহাক্কী মেতচতা ভান্দাৱেনা ৬–৩, ৩–১ দা মাঙজীল থারিঙৈদা খুউ শোক্তুনা শান্নবা ঙমদদুনা ঙসি পোত্থাখিবদগী ২–০ দা মাঙজীল থাখি গর্গেস ঙরাং শান্নখিবা মেতচ অদুগী অরোইবা পোইন্ততা নোং তাখিবদগী নান্দুনা বেজ লাইনদা নাম্বুবদগী শোকখিবনি।

পেতকোভিচ তাই অসি শান্ননবা ঙসি অমুক হন্না থোরক্তুনা অস্ট্রেলিয়ন ওপন সেমি ফাইনেলিস্ত ভান্দাৱেগা লম্বা তৌনখি।

পেতকোভিচনা অহানবা সেত লৌনবা ভান্দাৱেবু মহাক্কী অহানবগী সর্ভিস গেম মরিগী মনুংদা অহুম্লক ব্রিক লৌখি অমসুং অমেরিকান অসিনা নুংশা শামনবদগী মেদিকেল তাইম আউত লৌখিবা মতম অনীশুবা সেত্তা ৪–২ দা মাঙজীল থারগা লৈখি।

মতাংসিদগী হৌরদুনা মেতচ অসি ভান্দাৱেনা লাকশিন্দুনা শান্নরকপগা লোয়ননা মহাক্না মথঙগী গেম ১০ থোইদুনা মেতচ অসিবু ৩–৬, ৬–৪, ৬–০ দা মায় পাক্তুনা য়ুনাইতেদ স্তেতসপু সেমি ফাইনেল চঙহনখি। সেমি ফাইনেল মেতচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন চেক রিপব্লিককা এপ্রিল থাদা শান্নরগনি। চেক রিপব্লিকনা মখোয়গী তাইদা স্পেনবু ৩–২ দা মায়থীবা পীরমখি।

অমরোমদা, কেরোলিনা প্লিস্কোভা অমদি বরবোরা স্ত্রাইকোভানা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী মেটচশিং থোইদুনা স্পেনগী ময়োক্তা মায়থীবা পীবা ঙম্লরোইদবা ফীবমদা ৩–১ দা মাঙজীল থাহনবদগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন চেক রিপব্লিকপু ফেদ কপ সেমি ফাইনেল চঙহনখি।

তিমগী নম্বর ৱান প্লেয়র মশেলগী মরক্তগা শান্নখিবা এনকাউন্তর অমদা ৱার্ল্ড নম্বর থ্রী প্লিস্কোভানা তরেৎশুবা রেঙ্ক ফ্রেঞ্চ ওপন চেম্পিয়ন গরবাইন মুগুরুজাবু পূং ১ চঙনা শান্নরগা ৬–২, ৬–২ দা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা মেতচ অমদনা ১৭ শুবা রেঙ্ক স্ত্রাইকোভানা ৭০ শুবা রেঙ্ক লরা অরোবরেনাবু পূং ২ রোম চঙনা শান্নরগা ৬–৪, ৬–৪ দা মায়থীবা পীখি।

থাংজ নুমিত্তা শান্নখিবদনা মুগুরুজানা স্ত্রাইকোভাবু ৬–০,৩–৬, ৬–১ দা মায়থীবা পীখি অদুবু প্লিস্কোভানা অরোবরেনাবু ৬–৪, ৭–৫ দা মায়থীবা পীদুনা তাই অসি ১–১ দা মান্ননা লৈহনখিবনি।

## নেসনেল বাস্কেতবোল এসোসিএসন অমসুং এ সি জি ৱার্ল্ড ৱাইদ গ্রুপ (এ সি জি) জম্প নেসনেল ফাইনেলসগী শান্নরোয় ২৪ খনখ্রে




*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৪ঃ*

নিউ দিল্লীদা পাঙথোকপা নেসনেল বাস্কেতবোল এসোসিএসন অমসুং এ সি জি ৱার্ল্ড ৱাইদ গ্রুপ (এ সি জি) জম্প নেসনেল ফাইনেলসগী শান্নরোয় ২৪ খনখ্রে।


খনগৎলবা শান্নরোয় ২৪ অসিনা স্কোলরশিপশিং অমসুং এন বি এ একাদেমি ইন্দিয়াদা ত্রেনিং ফংলগনি।

মুম্বাই, দিল্লী, লুধিয়ানা, কোচি, চেন্নাই অমসুং কোলকতা য়াওনা মফম তরুক্তগা ত্রাইআউতশিং পাঙথোক্তুনা চখ্থিবা থা অহুমগী ওইবা লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকপা প্রোগ্রাম লোইশিনবগা মরী লৈননা ফেব্রুৱারী ৯ দগী ১১ ফাওবা পাঙথোকপা নেসনেল ফাইনেলদগী শান্নরোয়শিংগী সেলক্সন পাঙথোকখি।

এন বি এ ইন্দিয়াগী মেনেজিং দিরেক্তর য়ান্নিক কোলাসোনা হায়, এ সি জি–এন বি এ জম্পনা ইন্দিয়াগী বাস্কেতবোল শান্নরিবা নহারোলশিংবু মশান্না অসিদা করিয়র অমা শেমজনবগী লম্বী অমা পীরি। লাক্কদবা চহীশিংদা প্রোগ্রাম অসি মপূং মরৈ ফান্নবা হোৎনগনি।

এ সি জি দিরেক্তর করন সিংহনা হায়, শান্নরোয় ২৪ অসিনা হৌজিক প্রোফেসনেল রেঙ্কশিংদা চৎনবগী খুদোংচাবা অদু লৌনবগীদমক শেম শান্নবগীদমক মপূং ফারবা প্লেতফোর্ম অমা ফংলগনি। ইন্দিয়াগী বাস্কেতবোল শান্নরোয়শিংগী উখোক্তনা লৈরিবা তেলেন্ত পূল অদু মশক খঙদোক্লবা, মথৌ শংনবা অমসুং লম্বী অমা শেন্নবগী পান্দমদা শান্নরোয়শিংগী ফাইনেল পূল অদু শেমখিবনি। শান্নরোয় ২৪ অদুনা স্কোলরশিপশিং ফংলগনি অমসুং দিল্লীগী নেসনেল কেপিতেল রিজন (এন সি আর) গী ইলিত বাস্কেতবোল ত্রেনিং সেন্তর অমা ওইরিবা এন বি এ একাদেমিদা ত্রেনিং ফংলগনি।

এন বি এ একাদেমি ইন্দিয়া লৈবাক অসিগী ওইনা অসিগুম্বা মখলগী অহানবা একাদেমি অমা ওইরি অমসুং মালেমগী ওইনা এন বি এগী মঙাশুবা ইলিত ত্রেনিং সেন্তর ওইরি। এন বি এনা মপূং ফানা শেল পুথোক্তুনা চল্লাইগনি অমসুং মসি চহী অসিগী এপ্রিল থাদা হাংদোক্লগনি।



*মপান লৈবাক্কী শান্নরোইশিংনা পি এস এল ফাইনেলগীদমক লাহোরদা চৎপা পাম্নদ্রি*